# ঈশ্বর কনানো?

*অচুম্বা ঈশ্বর কনানো অমসুং মহাক্কী মমিংনা করিনো? (১, ২)*

*মহাক করম্বা মখলগী হকচাং লৈবগে? (৩)*

*মহাক্কী তোপ-তোপ্পা গুণশিংনা করি করিনো? (৪)*

*ঐখোয়না মহাকপু নীংজবা মতমদা মূর্ত্তি নত্রগা মহুৎশিন্বা পোৎশকশিং শীজিন্নগদ্রা? (৫)*

*ঐখোয়না ঈশ্বরগী মরমদা খঙবা ঙম্নবগী লম্বী অনিখক অদু করি করিনো? (৬)*



১. মীয়াম্না পোৎশক কয়াবু লাৎনৈ। তৌইগুম্বশুং **অচুম্বা** ঈশ্বর অমতমক লৈ হায়দুনা বাইবলনা ঐখোয়দা তাকই। স্বর্গ অমসুং পৃথিবীদা লৈরিবা পোৎশক খুদিংমক মহাক্না শেমখিবনি। মহাক্না ঐখোয়বু পুন্সি পীবীবা মরম্না ঐখোয়না নীংগদবসি মহাক মথন্তনি।—১ কোরিন্থীয় ৮: ৫, ৬; ফোংদোকপীবা ৪:১১.

২. ঈশ্বরগী মিংথোন য়াম্না লৈ, তৌইগুম্বসুং মিংদি অমখক্তনি। মিং অদুদি **যিহোবানি**। বাইবল অয়াম্বদা ঈশ্বরগী মিং লৌথোকখ্রে অমসুং মদুগী মহুত্তা প্রভু নত্রগা ঈশ্বর হায়বা মিংথোলশিংনা মহুৎ শিনখ্রে। তৌইগুম্বসুং বাইবল ইখিবা মতমদা যিহোবা হায়বা মিং অসি মফম ৭,০০০ মুক য়াওরম্বা থেংনৈ!—খোঙশান্বা ৩:১৫; লাইশোন ঈশৈ ৮৩:১৮, *NW*.

৩. যিহোবাগী হকচাং লৈ, তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গীগুম্বদি নত্তে। বাইবলনা হায়, “ঈশ্বরদি আত্মা অমনি”। (য়োহন ৪:২৪) আত্মা হায়বসি ঐখোয়দগীদি

হেন্না ৱাংবা থাক্কী পুন্সি মওং অমনি। কনাগুম্বা মীওইবা অমত্তনা কৈদৌঙৈদা ঈশ্বর উখিদ্রি। যিহোবাদি স্বর্গদা লৈ, তৌইগুম্বশুং মহাক্না পুন্নমকপু উবা ঙম্মি। (লাইশোন ঈশৈ ১১:৪, ৫; য়োহন ১:১৮) অশেংবা আত্মা হায়বদু, অদু ওইরগদি করিনো? মসি ঈশ্বরগুম্বা মীশক অমা নত্তে। হেন্না চপচানা হায়রবদা মসি ঈশ্বরগী থবক তৌবা ঙম্বা শক্তিবু হায়বনি।—লাইশোন ঈশৈ ১০৪:৩০.

৪. বাইবলনা ঐখোয়দা যিহোবাগী মতিক মগুন ফোংদোকই। মহাক্কী থোইদোক হেন্দোক্লবা গুণশিংদি নুংশিবা, ৱায়েন চুম্বা, লৌশিং অমসুং শক্তিনি হায়না মসিনা উৎলি। (অনিশুবা ৱায়েনলোন ৩২:৪; য়োব ১২:১৩; য়সাইয়া ৪০:২৬; ১ য়োহন ৪:৮) বাইবলনা ঐখোয়দা অসুম্নসু হায়রী মদুদি মহাক মীনুংশি খঙঙি, থৌজাল হৈ, ঙাকপী হৈ, পীনা হৈ অমসুং খাঙবী হৈ। ঐখোয়নসু হায়বা ইনবা মচাশীংগুম্না মহাক্কী মতৌ তমজনবা হোৎনগদবনি। —এফিসা ৫:১, ২.

৫. ঐখোয়গী লাইনিংদা মূর্ত্তি, অয়েকপা লাই নত্তগা অতৈ মহুৎ শিন্বা পোৎশকশিংদা খুরুমজগদ্রা? খুরুম্লোই! (খোঙশান্বা ২০:৪; ৫) ঐখোয়না মহাক খক্তবু নীংজগদবনি হায়দুনা যিহোবানা হায়। মহাক্কী মতিক মঙাল অসি মহাক্না কনাগুম্বা নত্তগা করিগুম্বা পোৎশক অমত্তগা শরুক য়ামিন্নরোই। মূর্ত্তিশিংনা ঐখোয়দা মতেং পাংবা ঙম্বগী শক্তি লৈতে।—লাইশোন ঈশৈ ১১৫:৪-৮; য়সাইয়া ৪২:৮.

৬. মতৌ করম্না ঈশ্বরবু নহাক্না হেন্না ফজনা খঙবা ঙমগদগে? মদুগী লম্বী অমদি মহাক্না শেমলম্বা পোৎশকশিংবু য়েংজবা অমসুং মখোয়না ঐখোয়দা করি তাক্লিবগে হায়বদুগী মরমদা মুন্না ৱাখল তৌবা অসিনি। মহাক অসি য়াম্না পাঙ্গল অমসুং লৌশিং লৈ হায়বসি ঈশ্বরনা শেমখ্রবা পোৎশকশিংনা উৎলি। মহাক্না শেমলম্বা পোৎশক খুদিংমক্তা ঐখোয়না মহাক্কী নুংশিবদু উবা ফংই। (লাইশোন ঈশৈ ১৯:১-৬; রোমীয় ১:২০) ঐখোয়না ঈশ্বরগী মরমদা খঙবা ঙম্নবা অতোপ্পা লম্বী অমদি বাইবল নৈনবনি। মসিনা মহাক করম্বা ঈশ্বরনো হায়বগী মরমদা ঐখোয়বু হেন্না খঙহল্লি। মহাক্কী পান্দম করিনো অমসুং মহাক্না ঐখোয়বু করি তৌহন্নীংবগে হায়বদুসু ঐখোয়দা খঙহল্লি।—অমোস ৩:৭; ২ তিমোথি ৩:১৬, ১৭.

*শেমখ্রবা পোৎশকশিং অমদি বাইবলদগী ঐখোয়না ঈশ্বরগী মরমদা খঙই*

